# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-12-2024)**
## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ৩০-১২-২০২৪, নিংথৌকাবা)

**সি.এম(এল)ঃ** মনিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিস্তেম মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা থিকাদারশিং য়াওনা মরি লৈনবা খুদিংমকা মতেং পাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইন্নর লাইন পর্মিট সিস্তেমগী চৎনা কাংলোনশিং থুগাইদুনা শিন্মী ওইনা থবক শুরম্বা নন-লোকেল ৪ ফাগৎলে। মখোয় য়াইরিপোক বিষ্ণুনাহা ৱাতর রিজর্বর কন্সত্রক্সন সাইটতা আই.এল.পী য়াওদনা থবক শুদুনা লৈরম্বনি। মখোয়বু ফাগৎলবা মতুংদা এগজিক্যুতিভ মেজিসত্রেট থৌবালগী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুংদা য়াইরিপোক পুলিস স্তেসনগী কস্তদিদা থমখ্রে। মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা মখা তাবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরি হায়রি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী থমাপোকপীগী মনিংদা লৈবা চীংদা লৈরম্বা বঙ্কর অহুম ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌশিনখ্রে। মফম অদুদা সী.আর.পী.এফ অমসুং বি.এস.এফকী পোষ্ট হাংদুনা তোইনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপথরকপা থিংননবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। থমাপোকপী, সনাসাবী অমদি শান্তি খোঙবালনচিংবা মফমশিংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা অয়ুম নুংথিল নুমিদাং নাইদনা চীংথক্তগী তোইনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী পার্সনেল অমা অমসুং পাউমী অমা য়াওনা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবনি। থৌদোক অদুগী তুংদা কম্বাইন সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা মফম অদুদা পাক-শন্ন থিবা হম্বগী থবক চখুরবা মতুংদা চীংথক্তা লৈবা বঙ্করশিং অদু

লৌশিন্দুনা মখা তানা নোংমৈ কাপথরকপা থিংনবা থবক লৌখৎলকখিবনি।

**লূখোই (এল)ঃ** সুমাং লিলাগী শকাইরবা অইবা চানা লূখোইনা লৈখিদবদা পেত্রিয়োতিক রাইফলস ফোরম মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-পেত্রিয়োতিক রাইতরস ফোরম মণিপুরগী ফাউন্দর এদভাইজর ওইরম্বা চানা লুখোইনা মণিপুরী খুন্নাইবু অচুম্বা মাইকৈদা লমজিংনবা কোলোম পায়দুনা হীরম কয়াদা খূৎ থাদুনা ইরম্বা তাংলবা অইবা অমনি।

**উচেক (এল) ঃ** থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং ৱাইল্ড লাইফ এক্সপ্লোরর মণিপুরনা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি ককচিং জিলাগী খরুং পাৎ অমসুং থৌবাল জিলাগী ইকোপ পাৎতা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিং মশিং থিবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী থৌবাল জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার ডাঃ লাইশ্রম জিল্লিনা হায়- ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিং মশিং থিবগী থৌরম অসি সাইন্তিফিক বেজ লাইন দেটা অমা শেমনবা পাঙথোকপনি। ৱাইল্ড লাইফ প্রোতেক্সন এক্টতা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিংসু নিংথিনা ঙাকপী শেনবীনবা য়াওরি। মীয়ামসু ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিংবু ফাবা, হাৎপা অমদি মখোয়না চাক্তাবা মতমদা অকি অখঙ থোকহনবা য়াবা থৌওংশিং তৌবীদনবা ডাঃ জিল্লিনা আপীল তৌরি।

**--সাউন্দ বাইট-জিল্লি**

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী এল.মোলনোইদা ফি তাইনবা মেছিন অমদি ঈশিং হাপবা তেঙ্কি য়েন্থোকখ্রে। অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক্কী মণিপুরগী ইরাং অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈবা নুপীশিংবু মরোমদোম হিংবা ঙমবা পায়খৎপা খোঙথাংনি। মসিনা শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা খক্তা নত্তনা নুপীশিংদা থবক পীবগী চাংশু

হেনগৎহল্লগনি।

**ককচিং(এল)ঃ** মধ্য প্রদেশ কাউন্সিল ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি ভোপালনা শিন্দুনা মথং থাগী ৩ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১ শুবা নেসনেল চিলদ্রেন্স সাইন্স কংগ্রেস ২০২৪ দা ককচিং জিলাদগী মহৈরোই অনি শরুক য়াগনি হায়রি। মহৈরোই অনি অদু মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল চিলদ্রেন্স সাইন্স কংগ্রেসতা খনগৎখিবা মহৈরোই ১০গী মনুংদা য়াওখিবা মহৈরোইশিংনি হায়রি।

**প্লেন ক্রাশঃ** খা কোরিয়াগী মুৱান ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা ঙরাং এরোপ্লেন কাইবগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীগী মশিং ১৭৯ শুখ্রে। বেঙ্কোক্তগী পাইরকপা এরোপ্লেন অদুদা পুন্না মীওই ১৮১ তোংলকখি। মদুগী মনুংদা ফ্লাইট অদুগী ক্রু মেম্বর ৬ তোংলকপগী মনুংদা ৪ লৈখিদ্রে, অনিদি কনবা ঙমহৌরে। থৌদোক অদুবু খা কোরিয়াগী এক্তিং প্রসিদেন্ট চোই শাং মোকনা জাতিগী ওইনা মথং থাগী ৪ ফাওবা অৱাবা ফোঙদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লাইবক থিবা থৌদোক নংলবা এরোপ্লেন অদুগী ব্লেক বোক্সশিং ফংলে। থৌদোক অদুগী তুংদা এয়রপোর্ট অদুদা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিনগী থবক থিংজিনখ্রে।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ভারত লান্মীগী ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটশিংনা লান্মীশিংবু মথৌ নিংথিনা পাঙথোকবা অফবা ত্রেন্নিং পীবগী থাগৎপা ফোঙদোকখে। মধ্য প্রদেশতা লৈবা ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট অহুমদা চৎপা খোঙচত্তা শ্রী রাজনাথনা-ইন্সটিট্যুটশিং অদুদা লৈরিবা আর্ম ফোর্সেসশিংদা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা জিওপোলিতিকেলগী ফীভমগী মতাংদা নিংথিনা খঙবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা সরকারনা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতনা মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা আর্ম ফোর্সেসকী চাওরবা

থৌদাং লৈহায়রি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা আর্মি ৱার কোলেজকী লান্মীশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**দ্রৌপদি** ঃ উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা ঙরাং রাস্ত্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শ্রী অদিত্যনাথনা রাষ্ট্রপতিদা মথং থাদা প্রয়াগরাজদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাকুম্ভগী থৌরমদা শরুক য়াবীনবা বার্তন তৌখি। মহাকুম্ভগী থৌরম মথং থাগী ১৩ দগী ফেব্রুৱারি ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**দেল্লিঃ** দেল্লি পুলিসনা আইন কাইনা চংশিল্লন্বা বংলাদেশ মচা ৭ ময়ুমদা হলহনখ্রে। দেল্লিগী গুরুগ্রামদা নুপী ৫ য়াওনা নুপা ২ পুন্না মীওই ৭ লৈরন্বা থেংনখি। পুলিসকী পাউনা হায়-আইন কাইনা মাইগ্রেন্টশিং মফম অদুদা লৈরে হায়বা অককবা পাউ ফংবদগী মীওইশিং অদু ফাগৎপনি। দেল্লিগী উপ-রাজ্যপাল বিনৈ কুমার সক্সেনানা দেল্লিদা আইনগী ৱাংমদা লৈবা বংলাদেশ মচাশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা মমাঙদা হুকুম থোকখিবনি। পুলিসনা মীওইশিং অসিনা করন্বা লন্বী শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিদা চংশিল্লকপনো হায়বা থিজিনবগী থবক চথুরি।

**বি.জে.পীঃ** ভারতিয়া জনতা পার্তিগী ওর্গনাইজেসনেল ইলেক্সনগী রিভ্যু মীতিং অমা ঙরাং নিউ দেল্লিদা লৈবা দল অসিগী হেদক্বাতরসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জগদ প্রকাশ নদ্দানা ৱা ঙাংখি। ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি বি.এল শান্তোশ, নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরিশিং, রাজ্যশিংগী বি.জে.পীগী ষ্টেট প্রসিদেন্টশিং, ষ্টেট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিশিং অমসুং ওর্গনাইজেসন ইলেক্সন ইন চার্জ অমদি কো-ইন চার্জশিংনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। দল অসিগী মন্দল, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ষ্টেট ওফিস বিয়াররশিং খন্নবগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি। মথং

থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা রাজ্যশিংগী মন্দল, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অতৈ ফমশিং খনবগী থবক চাদা ৫০ লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

থমাপোকপীদা লৈরম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংগী বঙ্কর সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌশিনখিবা, চুরাচান্দপুরদগী মীওই অনি দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা অমসুং মৈরাপাইবী হৌদোকখিবগী ৪৪ শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

লূপা ক্রোর ১৫গী য়াবা তেব্লেটকা কোন্ননা চুরাচান্দপুরদগী মীওই অনি ফারে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

উয়োক চীংদা লৈবা কুকি খুৎলাই পায়বশিং কম্বাইন ফোর্সনা তকথোকখ্রে, বঙ্করশিং কম্বাইন ফোর্সনা লৈশিনখ্রে, পর্মেনেন্ট ওইনা কেম্প হাংদুনা লৈরগনি হায়না মণিপুর নিউজদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মসিগা মান্নবা পাউ-সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পীপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-তমগী লৈঙাকা চীংগী এদমিনিস্ত্রেসনদা খূৎ থিংজিল্লক্কনু, অরাম্বাই তেঙ্গোলনা ষ্টেট ফোর্সপু ত্রোজান হোর্স ওইনা শিজিন্নবা লেপ্পু হায়না কুকি এম.এল.এ অহুমা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মৈরাপাইবী হৌদোকখিবগী ৪৪ শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে, চীং

তম অমত্তা ওইমিন্নদুনা শেন্বা ফজখ্রবা মণিপুর থুগাইনবগী থৌওং খুদক্তা লেপ্পু হায়না অমকিলগী প্রসিদেন্ট ঙানবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পাউমীদা অতমনা খূৎ থাখিবনি ফোঙদোরকখ্রে, ৱার্নিংসু তৌরকখ্রে হায়না ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মসিগা মান্নবা পাউদা কুকিগী মীওই অমনা পাউমী কবিচন্দ্র নোংমৈনা কাপ্তুনা শোকহনখিবা অদু মখোয়ননি হায়না ক্লেম তৌরক্লে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কলচরগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মীতৈ পুং পেতেন্ট চন্দ্রী হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

মাইয়োপিয়াগী কেস হেনগৎলক্লি, মোবাইলনা মমাশিংগী মহুৎ শিল্লে হায়না সঙাই এক্সপেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.এল.পী কার্দ পায়দনা লৈরম্বা নন-লোকেল লেবর ৪ ফাখিবগী পাউ মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ পীপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

জর্নেলিষ্টতা কুকি মিলিটেন্টনা এত্তেক্ট তৌরকখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগী পাউ মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শকাইরবা অইবা চানা লূখোই লৈখিদবগী পাউ-ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।